# রেনেদিনা ফোরেনগী টিমদা য়াওবা মণিপুরগী অহানবা প্রোফেস্নেল ফুটবোল্লর ওইরে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ ঃ
ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল ফুটবোল্লর পোৎশংবম রেনেদিনা ফোরেনগী ক্লবতা শান্নবা অহানবা মণিপুরগী ফুটবোল শান্নরোই ওইদুনা ফুটবোলগী পুৱারিদা অনৌবা লমাই অমা হাঙদোকখ্রে।

পোৎশংবম রেনেদি কেরলা ব্লাষ্টর এফ সিদগী লোন ওইনা বলগেরিয়ন ক্লব সি এস কে এ সোফিয়াদা চৎখিবনি। মিদফিল্ড পোজিশন্দা ইনিদয়াগী ওইনা লম্বা লৈত্রবা পোৎশংবম রেনেদিনা সি এস কে এ সোফিয়া ক্লবতা শান্নদুনা মহাক্কী হৈশিংবা কয়াসু উৎথোক্কদৌরি।

পোৎশংবম রেনেদিনা ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা ক্লব মোহোন বগান, ইষ্ট বেঙ্গল ক্লব, ইভররেদি, শিলোং লাজোং এফ সি অমসুং জে সি টি এফ সিগী ক্লবশিংদা শান্নখ্রে।

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইক্কর সুনিল সেত্রিনা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা রেনেদি অসি ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা মিদফিল্ডর অমনি হায়খি।

মণিপুরগী ওইনা ফুটবোল হব অমনি হায়রিবা সেকমাইদগী হৌরকখিবা পোৎশংবম রেনেদি জমসেদপুরদা লৈবা টাটা ফুটবোল একাদেমিদা চহী তরুক লৈরম্লবা মতুং কুমজা ১৯৯৭ দা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবতা মহাক্কী অহানবা প্রোফেসনেল কন্ত্রেক্ট সাইন তৌনদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি।

ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবতা য়াওরবা মতুং কুমজা ১৯৯৮ তা রেনেদিগী অহানবা ওইনা সেনিয়র ইন্টরনেশনেলদা শরুক য়াবা ফংখি। মতম অদুদা রেনেদি মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরি। মদুগী মতুং কুমজা ২০০০ দা রেনেদি ইন্দিয়াগী ওইনা ফ্রি কিক কাউবদা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈশিংলবা ফ্রি কিক স্পেসিএলিষ্ট অমা ওইনা খঙনরবা মতুং মোহোন বগান্দা সাইন তৌখি। রেনেদিগী থোইদোক হেনে দাকপা হৈশিংলবা কয়া অদু কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা এল জি কপ্পা হেন্না ময়েক লানা উখি।

চিরাক য়ুনাইটেদ হায়না খঙনরম্বদগী হৌজিক্লা ইভররেদি খঙনরবা ক্লব অসিদা সাইন তৌরবা মতুং কুমজা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফিকেশন কেম্পেইন্দা রেনেদিনা গোল অনী চনখি। তুংদা রেনেদিনা অমুক হন্না ইষ্ট বেঙ্গলদা কুমজা ২০০৮ তা য়াওরকখি। অদুম ওইনমক মতম অদুদা মহাক অশোকপা লৈবদগী শান্নবা কয়া তোয়না য়াওখিদে।

রেনেদিগী ফুটবোলগী লম্বীদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজখিবা পার্ফোমেন্স অসি ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইনা মতম শাংনা পুরম্বা বোব হেগতোনগী মতমদনি। বোম হেগতোন্না ইন্দিয়ন টিম পায়রিঙৈ মতমদা রেনেদিনা কুমজা ২০০৯ গী নেহরু কপ ফাইনেলদা সেরিয়াগা থেংনখিবা অদুদা মহাক্কী ফজরবা কর্লিং ফ্রি কিকনা চেম্পিয়ন ওইহনখি।

কুমজা ১৯৯৮ দগী নেশনেল টিম ইন্দিয়াদা রিগ্যুল শান্নরোই ওইনা য়াওদুনা লাকখি অমসুং হৌজিক হৌজিক্লা ভাইস কেপ্তেন ওইনা নেহরু কপ ইন্টরনেশনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট কুমজা ২০০৭ মায় পাকখিবা ইনিদয়ন টিমদা মহাক মরু ওইবা অমা ওইখি।

কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা এফ সি চেলেঞ্জ কপ্তসু মহাক মরু ওইবা শান্নরোই ওইখি। মহাক অসি ইনিদয়ন স্কাউদকী ওইনা ক্রোসিং তৌবা অমসুং মহাক্কী পেস শেম শান্নবা হোৎনবদা য়াম্না অফবা শান্নরোই অমা ওইখি। ইন্দিয়ানা মেচ অদু মায়থিদ্রিঙৈ মতমদা রেনেদিনা হেন্না মরু ওইবা রোল লৌদুনা কুমজা ২০১১ গী এসিয়ন কপ্তা ইন্দিয়ানা বেহরনগী মায়োক্তা শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা গোল চনখিবা অদুদা মহাক্লা য়াম্না মরু ওইবা রোল লৌখি।

## চেম্পনা ক্রাও ৱিকেটে মঙাদা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অনীশুবা ইলাট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চেম্প খাগেম্পলিনা ক্রাও খম্নাম বজার ৱিকেট মঙাদা মায়থিবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা ক্রাওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌখিবদা ওভর ৩৩.২ মায়োক্নখিবদা রন ১০৩ লৌরগা ওল আউট ওইখি। মদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেটিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পল্লিনা ওভর ২৩.৫ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট মঙা আউট ওইরগা রন ১০৪ লৌদুনা ক্রাওবু ৱিকেট মঙাদা মায়থিবা পীখি।

মেচ অদুদা চেম্পকী বোনিনা রন ৩৮ (৫১) লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট অনী লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবাল অমসুং রেজ নাগামপালগা শান্নগনি।

## ইকোপ ত্রোফি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ ঃ আর ঈ এফ এ লৈশাংথেম্না শিন্দুনা থৌদাম পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইকোপ ত্রোফি সেভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এফ এ সি থৌদাম্না সি কে দব্লিয়ু ৱাই এস সি চোংথাম গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা আর ঈ এফ এনা এল দব্লিয়ু ৱাই সি গোল ৬-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# মোদেল ক্লব টিম এনা ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ ঃ
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থখিবা অহুমশুবা ২০-ত্বেন্টি ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ৱিন্নর মোদেল ক্লব টিম এ চিঙামখানা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মোদেল ক্লব টিম এনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ রন ৪ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। মায়থিহৌরবা সাইক্লোন্না রন্নর্স-অপ তাখি।

মেচ অদুদা মোদেল ক্লব টিম এগী মুজিবুর রহমন্না রন ৭৭ (৬৩) লৌদুনা প্লেয়র ওফ দ ফাইনেল মেচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দ সেরিজনা সাইক্লোনগী এন জি রাজেসনা তাখ্রে। মহাক্লা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না রন ১৩৫ লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ৮ লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট স্কোররনা মোদেল ক্লব টিম এগী সায়িদ মুজিবুর রহমন্না তাখ্রে। মহাক্লা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না রন ২৫৯ লৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্করনা সাইক্লোনগী বোল্লর এল বিনোয়না তাখ্রে। মহাক্লা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না ৱিকেট ১০ লৌখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা মোদেল ক্লব টিম এনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌখিবদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ১৬৪ লৌখি। মোদেল ক্লব টিম এগী মুজিবুর রহমন্না রন ৭৭ (৬৩), রোহিন্দ্রোনা রন ৩৯ (২৯), সুনিলনা নোট আউটতা রন ১০ (৬) অমসুং তোম্বনা রন ১০ (১৩) লৌখি। সাইক্লোন্না ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৬০ খক লৌদুনা মোদেল ক্লব টিম এগী মখুত্তা রন ৪ দা মায়থিখি।

# এস এস এ চরাংপাৎনা অহুমশুবা তাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ ঃ
ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা হোকি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ডোঃ কান্তি মুখর্জি মেমোরিএল ইনভাইটেশন হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী অহুমশুবা পোজিশন এস এস এ চরাংপাৎনা তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এস এস এ চরাংপাৎনা মৈরা বাসিখোং টাই ব্রেক্তা গোল ৫-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেচ অদুগী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্লা গোল ৩-৩ চন্নখি। তুংদা টাই ব্রেক্তা এস এস এ চরাংপাৎনা পেনালটি অনী চনখি। মৈরানা পেনালটি ষ্ট্রোক ৪ গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এস এস এ চরাংপাৎকী টি ঐচ কিংসন্না মেন ওফ দ মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমসুং কোসমো ৱাঙ্খৈ অনীনা হয়েং শান্নরগনি।

# কে ঐচ এস সি টিম বিনা রাসমনি হোকিগী অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ ঃ
মণিপুর হোকিগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ্না শিন্দুনা কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ইবুধৌ মারজিংগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৩ লক শুবা য়ুম্নাম রাসমনি মেমোরিএল ইনভাইটেশন মেন'স ওপন সেভেন এ সাইদ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা থর্দ প্লেসকী মেচতা খোংমন ষ্ট্যুদেন্ট ক্লব (কে ঐচ এস সি) খোংমন টিম বি মায় পাক্তুনা অহুমশুবা পোজিশন তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা কে ঐচ এস সি খোংমন্না ফাম টিম এ য়াইস্কুল গোল ৯-৫ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিশন তাখিবনি।

মেচ অদুদা ফামনা পেনালটি কোর্নর ৯ ফংখিবদা গোল অমা ওন্থোকপা ঙমখি। খোংমন্না মেচ অদুদা পেনালটি কোর্নর ৮ ফংখিবদা গোল ২ ওন্থোকপা ঙমখি।

মেচ অদুদা খোংমনগী গোলশিং অদু কে বোইনা গোল অহুম মেচকী ২১, ৩১ অমসুং ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখি। এন ভাকরনা গোল মরি মেচকী ২৪, ৪১, ৫৪ অমসুং ৬৭ শুবা মিনিটতা চনখি। হেরামনিনা গোল অমা মেচকী ৫, মন্তোসনা গোল অমা মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থিহৌরবা ফাম টিম এগী গোল অদু দব্লিয়ু সুরজনা গোল অনী, এম প্রেমচান্দ, এ জোতিন অমসুং এন বিকেন্না গোল অমমম চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল হয়েং হোকি য়ুনিয়ন টিম এ অমসুং এ এম ঐচ এ মোইরাংনা শান্নরগনি।

## সেভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ ঃ
বি জে পি স্পোর্টস সেল ইম্ফাল ইষ্টকী স্পোন্সর মখাদা ষ্ট্যুদেন্ট ক্লব য়ুম্নাম খুনৌ ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল সেভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নগদবা অহানবা মেচতা টি কে টি উয়ুমপোক লাক্তবদগী থালেস য়াইস্কুলনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস কে ৱাই সি সিনাম কোমনা এস এস সি সেক্তা গোল ৭-৫ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এস কে ৱাই সিগী গোলশিং অদু বুংথোটনা গোল অহুম, নিলসন অমসুং মিংলেন্না গোল ২/২ চনখি। এস এস সি সেক্তাগী গোলশিং অদু দব্লিয়ু ঙৌবনা গেলা ৪, হেগৌনা গোল অমা চনখি।

অহুমশুবা মেচতা এস সি ৱাই টিম এ য়ুম্নাম খুনৌনা সঞ্জিৎ এফ সি ৱাঙ্খৈ গোল ৫-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। এস সি ৱাই টিম এগী সঙ্কর, রবিচন্দ্র, তোম্বা, জোনসন অমসুং রোমিনা চনখি। সঞ্জিৎ এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু নাওতোন্না চনখি।

## চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ ঃ
লৈমপোকপম খুনফম অপুনবা শান্নরোই লুপ (লসাল) লৈমপোক-পমনা শিন্দুনা লৈমপোকপমদা লৈবা লসালগী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২০ শুবা এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল সেভেন মেন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নগদবা অয়ুক্কী মেচতা এম আই এস পাৎশোই লাক্তবদগী ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

অনীশুবা মেচতসু এস ৱাই দি এ ক্ষেত্রিগাও লাক্তবদগী কে ৱাই সি কৈনৌনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।


নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই ঈ ও ৱাঙ্গোইনা এফ সি সঞ্জেনবম গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অনীশুবা মেচতা আই জি এ লৈমপোকপম্না ৱাই পি দব্লিয়ু এ থিয়াম গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।




HL-B/4273/1,3,5,11,13..




HL-B/2202/28,1,2,3,4,5



HL-Cr/007/23/2-2/3



HL-B/221/18/1 to 17/2



HL-B/2257/21/2-25/3



HL-B/2253/20/2-5/3 (alt)



HL-B/2271-27/2-31/3


Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)9856594262 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com